# দি এস ইন্টরপ্রাইজেসকী ৪রক শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৬ (এসএনএস)ঃ দি এস ইন্টরপ্রাইজেসকী ৪রক শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ইন্টরপ্রাইজেস অসিনা শীন্দুনা ঙসি কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরী সুমতি শৌগ্রাকপমনা থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বরগী ৱারোল পীরদুনা হায়,মশানা–মশাবু থবক পীজবা অসিগুম্বা ইন্টরপ্রাইজেস কয়া লিংখৎলকপা অসিনা তাক্লিবসি লমদমসিদা ৱার্ক কলচরগী য়াওল লাক্লে। মতম অমদা ময়াংগী মখাদা লেবর ওইরম্বা হৈস্নাম ধনঞ্জয় এলাইজ হেরোজিৎ অমসুং মহাক্কী মনাও নুপা অনীনা পুন্না হোৎনজবদগী ঙসিদি দি এস ইন্টরপ্রাইজেস অসি লিংখৎপবু থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

মপাল লৈবাক্তগী লাক্লগা লমদমসিদা মেলাগী মথৌ তাবা মচাক–মথুম শেমগৎপা ময়াং–মচাগী মখাদা থবক তৌরম্বা ধনঞ্জয়না ঐখোয়সু অসিগুম্বা থবক অসি তৌবা য়াইনা হায়বগী ৱাখল্লোন লাকপদগী থবক অসি ইং ২০১৪দা হৌখিবনি। তনবু–তন্দ্রবদি শুনবা থবক্কী থবক ঙাক্তনি, থবক্তা চিলহাও থিবগী মহুৎতা অসিগুম্বা থবক অসি পায়দুনা মশাগী শেন্থোক লম্বী শেন্লি। লোয়ননা মীওই কয়াসু থবক পীরিবসি য়াম্না অফবা খোংথাংনি। লমদমসিগী শুফম–নোম্ফম খঙদ্রবা নহা কয়াসু মখা তানা থবক পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ইন্টরপ্রাইজেস অসিনা মথং চহীদগী স্কুল দ্রোপ আউট ষ্টুদেন্ট খরা মখা তানা মহৈ–মশিং তমহন্নবগী দায়ত্ব লৌরগনি হায়বসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি হায়খি।

সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবীর লাইশ্রমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরগী ৱারোল পীরদুনা হায়,মণিপুরদা ফেমিলি মখল মরী লৈ। দিটেক্টর টাইপ ওফ ফেমিলি–অসিগুম্বা ইমুং অসিদদি ইমুং পুরিবা মীশক অদুনা মহাক্কী ৱানা অরোইবা ওই,মী অমত্তগী ৱা তাদে। মসি অফবা মখলগী ফেমিলি নত্তে। রেষ্টুরেন্ট টাইপ ওফ ফেমিলি–মসিগুম্বা ফেমিলিদদি ফেমিলি মেম্বর অয়াম্বনা মশাগী থবক মশানা তৌদে–মীনা তৌরকপা ঙাই। অসিগুম্বা ফেমিলিদদি ফেমিলিগী মমা অদুনা থবক লোইনা তৌরগা,মচাশিংনা থবক অমত্তা শুদনা লৈথোকই। মসিগুম্বা ইমুংগী মচা–মশু অদু অফবা ওইগনদে মরমদি মমানা নৎত্রগা মপানা থবক তৌথোকপগী হৈনবী অদুনা মরম ওইদুনা মচাদু শোয়গল্লি। সিমিট্রি টাইপ ওফ ফেমিলি–অসিগুম্বা ইমুং দদি অমগা–অমগা ৱা ঙাংনদে,মানা–মানা তৌগদৌবা মথৌ তৌরগা লৈনৈ। মসিগুম্বা ইমুং অসিসু অফবা নত্তে–মরমদি অমগা–অমগা ৱারী শান্নদবা অসিনা ইমোসনেল এটেচ অমদি অন্দরষ্টেন্দিং লৈতে। অসিগুম্বা ফেমিলি অসি ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিদা য়াম্না মরাং কাই। মণিপুরদসু সিমেট্রি টাইপ ওফ ফেমিলি অসি মরাং কাইনা উরে। মৌগা–মনেম,মকুগা য়াম্না লাপ্পরে–পোকচবা মচাগা–মমা মপাদগী লাপথোক্লা লৈবা উবা ফঙলে। অপোকপা মমা–মপাদগী লাপথোক্লবসু মকুবোক মলেমগদি তপ–নপশিন্নবা য়াওই। মমা–মপাগী সেভা তৌনিংদবা, পিজ–পিথকনিংদবগী চৎন লোনচৎ অসি তৌবিগনু। অপোকপা মমা–মপাগী মফমদা চৎলিবা লিচৎ–শাজৎ অদুমক মহাক্কী মচানসু নোংমদি মহাক্কী মফমদা চৎলক্কনি। ঐনা–ঐনা চৎপা লিচৎ অদুমক মচা–মশুনা তমগদৌরিবনি। দিমোক্রেটিক টাইপ ওফ ফেমিলিদদি–ফেমিলি মেম্বর খুদিংমক্কী অনীংবা লুম্না লৌই,অমনা–অমগী ৱা তাই। মসি খ্বাইদগী অফবা ইমুংনি। লোয়ননা ইমুংগী বজেট নীংথিনা শেম্মী য়াম্না শান্তি ওইনা য়ুম পাল্লি। অমগা–অমগা অন্দরষ্টেন্দিং নৈনবা নুংশিনবা,থাজবা লৈনবা অসিনা য়ুমগী ফাউন্দেসননি।

অহল–লমন অসি য়ুমগী লননি (এসেটনি)মবোক্কী–মধৌগী মনাক্তা চংগনু হায়দুনা মৌনা মচাদা ইনশিনবা অসি য়াম্না ফত্তবা লিচৎনি। হৌজিক কালগী মৌ নহা অয়াম্বদি মনেম মকুবোক লুনা তৌবা য়াম্না ৱাৎলে। মনেম–মকুবোক অমসুং মচিন–মনাওগী সেভা তৌবা ঙমজরোই হায়বগী ৱাখল্লোন চেল্লবদি মদু অপীকপা ৱাখল্লোন্নি। থকশি–খাশি,চৎন লোনচৎ ঙাকপা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি। নহারোল থৌদাং পাউচেগী এডিটর খোইরোম লোয়ালাকপনা থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বরগী ৱারোল পীরদুনা হায়,মীরমদগী লাকপা মীয়ানচাগী মখাদা মেলা পাঙথোক্লবগী লেবর ওইরম্বা মীওইনা মশাগী ওইবা ইন্টরপ্রাজেস লিংখৎলকপা অসি য়াম্না থাগৎলি। মীয়ানচানা তৌবা ঙম্বা থবক অদু ঐখোয়সু তৌবা ঙম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। থবক শুবদা চিলহাও থীবা য়াদে। থবক শুরিবা মখৈ ৱাখলসু নুংঙাইগনি,মীৱাসু ঙাংননিং লোই। লৈবাক নীংবগী মিংদা শেল তানবা,মীচমদা অৱা–অনা পীবা কাংলূপ মণিপুরদা লৈ। অৱা–অনা কোঙ্গাই খাংলগা মশাগী মরোমদোম ওইবা ইন্টরপ্রাইজেস অমসুং ইন্টরপ্রেন্যুর লিংখৎচবা মীচমদা শেলগী দিমান্দ তৌশিনবা, পীদ্রগনা বোম লংশিনবা অসি খুন্নাইদা অৱাবা পীবনি। পৈশা খরগীদমক মীয়াম তিনবা মফমদা বোম পোকখায়হনবা–প্রজাদা অকি–অখঙ পীবা অসি তৌবিগনু। হৌজিক্তি থবক শুরগা মরোমদোম হিংজনবা হোৎনবা হায়বসিদগী হেনবা অরাইবা লাইৱা অমা লৈত্রবনি হায়খি।

ঐখোয়গী সোসাইটি খঙদবা ফিভমদা লৈরি। মিৎ পাংলগা ৱাখল খন্থবা মতম ওইরে। শিংনরকপা খুদিংমক থেংনবা মতম ওইরে। মীয়াম্না খঙগদবদি লৈবাক নুংশিবা শাবগী মিংদা পীরকপা ঠ্রেটতা নাচুংলোইদবনি।

ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয় কোন্থৌজম,অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি দেবান শর্ম্ম অমসুং দি এস ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটর হৈস্নাম ধনঞ্জয় এলাইজ হেরোজিৎসু প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কৈশামথোং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা অহল কয়াগী মফমদা দি এস ইন্টরপ্রাইজেসনা কম্বল,চেঙ বেগ অমমম অমসুং শেল ওইনা লুপা ৫০০ পীদুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি। থৌরমগী অরোইবদা চাক্লেন অমসু চামিন্নখি।

# খুঙ্গংগী লম্বী থোংশিং শেমগৎনবা লুপা ক্রোর লিশিং ৩ পীরক্লগনিঃ বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৬ (এসএনএস)ঃ মণিপুরগী খুঙ্গংগী লম্বী থোংশিং অসি মপুং ফানা শেমগৎপা ঙম্নবগীদমক মণিপুর রুরেল রোদ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা শেমগৎনবা লুপা ক্রোর লিশিং ৩ সেন্টরদগী পীরক্লগনি। মসিগী শেনফম অসি লাক্লবদি খুঙ্গংগী লম্বী থোংশিং অসি মপুং ফানা শেমগৎপা ঙম্লগনি হায়না রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, ৱার্ক্স অমসুং পৱার মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা মখা নান্দেবম লৈকাই চোঙাবীদা পাঙথোকপা চোঙাবী দিভলপমেন্ট এন্দ রিলিফ ওর্গনাইজেসনগী নৌনা শাবা শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, অনৌবা লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা চংশিনলক্লি।

ইম্ফাল সিতিগী মী চিনবা অসি য়েংলগা ইলেভেটেদ হায়ৱেশিং শেমগৎনবা, এ দি বিগী মখাদা রিং রোদ শেমগৎনবা থৌরাং পায়খৎলে লোয়ননা ইম্ফাল মনুংদা মী লাম্থোক লানশিনদা খুদোংচাহন্নবা ফুট ব্রিজশিং শাবগী থবক হৌরগনি।

লৈঙাক অসিনা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী য়াওনা লম্বী ৭ নেসনেল হায়ৱেগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌরগনি। মসি মমাংগী লৈঙাকশিংগী মতমদা করি তৌরম্বা লৈখিবগে হংখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা চহি ১৫ অদুদা লাকখিবা লৈবাক্কী শেমগৎ শাগৎপগী শেনফমশিং অদু কদায়দা শিজিন্নখবগে হায়বদু মীয়াম্না মখোয়দা হংফম থোকই হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্না ষ্টেট অসিদা মৈগী অৱাবা লৈহন্দনবা পান্দমদা সৌভাগ্য স্কিমগী মখাদা য়ুমথোঙ খুদিংমক মৈ পীনবা চংশিনলক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং কসোম খুল্লেন্দা পৱার সব ষ্টেসন অমা শঙ্গাখি। লোয়ননা অতৈ চীংগী মফম কয়াদসু শঙ্গানবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি।

লমদম অসিগী লোকেল বোদিগী মীওইশিংনা এন আর ই জি এসকী থবক অসি হেন্না মপুং ফানা চংশিনদুনা চাদ ১০০গী এচিভমেন্ট লৈহন্নবা হোৎনরি। মসিদা জিল্লা পরিষদ, প্রধান, মেম্বরশিংগী ইন্টরেষ্টখক য়েংলগা মীয়াম প্রজাদা থবক ফংহন্দবা য়ারোই হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মরি লৈনবশিং অমসুং মীয়াম্না থবক ফজনা তৌবিয়ু। এন আর ই জি এসকী হান্নগী য়ুটিলাইজেসন সর্তিফিকেট থাখ্রে। মখা তানা শেনফম লৌবা হোৎনরগনি হায়খি।

কেন্দ্র অসিগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা ক্লব ৪০ হেনবা অসিগী মনুংদা থবক মপুং ফানা তৌবশিংদা লুপা লাক্ষ ১০ পীগনি হায়বদু হৌজিক পীথোক্তনা লৈরিবা অসি ক্লবশিং অসিগী থবক থৌরমশিংদা য়েংশিনবগী মতম লৌবনি।

লমদম অমা শেমগৎপদা ক্লবনা লৌরিবা থৌদাং অদু খঙনা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা থবক নিংথিনা তৌবা ক্লবশিংদা লুপা লাক্ষ ৫–৫ অহানবগী ওইনা পীরগনি হায়খি।

কেন্দ্র অসিগী মনুং চনবা ওক্রম চুথেক্তগী খোঙমন মঙজিল ফাওবগী লম্বী অসি ফুট ১৮ পাক্না শেন্লগনি। পি এম জি এস ৱাইগী নিয়মগী মতুং ইন্না লৈগদবা অপাকপদি ফুট ১০ খক্তনি। অদুবু হাপতোক হাপচিন, মতেং পাঙথোক পাঙশিন তৌরগা লম্বী অসি ফুট ১৮ পাক্না শেমগদৌরিবনি।

ষ্টেট ফন্দগী মখাদা কেন্দ্র অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৩ দা থোং ৪ শারগনি। লোয়ননা মফম ৪ দা লুপা ক্রোর ৪৮ লোম চংনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম পায়খৎনবা থৌরাং লৈরে হায়খি। লোয়ননা অকাম্পাৎ অমসুং কাঞ্চিপুরদা পৱার সব ষ্টেসনশিং শাগৎলগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সি দি আর ওগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ প্রানেশ্বরনা থৌরম মপু, উচেক্লোন নোংচুপ জি পিগী প্রধান কে মুনিন্দ্রো অমসুং জি পিগী মেম্বর কয়া লোয়ননা ক্লব অসিগী এদভাইজর কয়ানা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# মীয়ামগী থবক তৌবদা পুকচেল শেঙবা চংই ঃ কে শ্যাম

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৬ (এসএনএস)ঃ মীয়ামগী থবক তৌবা মতমদা থম্মোয় শেঙবা তঙাইফদে। থম্মোয় শেঙনা থবক তৌবা মতমদা মীয়ামগী মতেং শোয়দনা ফংগনি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নরানকোঞ্জিন মমাং লৈকাইদা লৈবা আইদিয়েল য়ুঠ ক্লবকী ৩৫ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়, মীয়াম্না থাজরবা মতম থবক অমা ইরায় লায়না পাঙথোকপা ঙমগনি।

খুন্নাই অসিদা য়াম্না তঙাইফদ্রিবা অসি ঐখোয় পুনশিল্লগা থবক তৌবগী হৈনবা লৈতবা অসি হোংদোকপনি। মসিগী থবক অসিদা ক্লব, মৈরা পায়বী কয়ানা থৌদাং লৌবা মথৌ তাই।

ঐখোয় মশেল পুনশিনবগী হৈনবী লৈরবদি করিগুম্বা তাথোক তাশিন তৌবগী খুদোংচাবা ফংদুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি। মরম অসিনা খুন্নাই অসিদা মোরেল এদুকেসন অসি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা পীবা তঙাইফদ্রে। নহারোলশিংদা লাইশুগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং তম্বীবা মতম ওইরে।

খুন্নাই অসিদা লাইরিক লাইশু হৈরগা, থবক তৌহল্লবা মতুংদা মমা মপা পীজনিংদবা কয়া য়াওরক্তবা নত্তে। অহল লমন থকসি খাসি নাইরক্তবা কয়া অসি থোক্তবা নত্তে।

ক্লবকী মরুওইবা অসি খঙদদুনা ক্লবশিংনা মপুং ফানা থবক তৌবা ঙমদবনি হায়না লৌই। ক্লব অসি লুচিংবশিংগী ট্রেনিং তৌফম মফম অমনি।

হৌগৎলক্লিবা নহারোল কয়া অসি ক্লবশিংদা ট্রেনিং পীবগী তঙাইফদবা লৈ। ক্লবশিং অসিনা অঙাংশিংগী হৈশিংবা অদু উৎথোক্লবা তাঞ্জা পীবা অমসুং মীথোই মীহেনবা অঙাংশিং কৌথোক্লগা শকখঙবীবা মথৌ তাই।

খুন্নাই অসিদা অফবা থবক তৌবা নৎত্রগা মায় পাক্লবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই। অৱা অনা তারকপশিংদা মতেং পাঙবীবা তঙাইফদে। মদুনা মীয়াম অমসুং ক্লবকী মরক্তা অফবা মরি শাগৎপা ঙমগনি হায়খি।

থবক তৌগে হায়নবু খনলবদি শেলগী অৱাৎপা লৈরোই। তঙাইফদ্রিবদি থবক তৌবদা থৱায় য়াওশিনবনি। মথৌ তারিবদি অচেৎপা ফিরেপ লৌরকপা অদুনি।

চহি ৪০ হেন্না মীয়ামগী থবক তৌদুনা লাকপনি। মতম অমদা মতেং পাঙবীনবদি লায়রদুনা ৱাখল্লোন পীবিনবা মী ফাওবা লৈতে।

হৌজিক লাক্লিবা অসিদি ঠিকা, ট্রান্সফর পোষ্টিংগী ৱাফমদা ওইনা লাক্লি। শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবগী থবক্তি কনামত্তনা তৌদে। মসি হোংদোকপা চংই।

নারানকোঞ্জিন অমসুং হাউরৈবি অসি শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা কোনশিনবনা খুদোং চাগনি। মসিগী থবক অসি লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

অনৌবা ফন্দ লাকপদা নরানকোঞ্জিনদা য়ুম অনি শাগনি। পোল্লিং ৭কী শেমগৎ শাগৎপগী শেল পীবদা নরানকোঞ্জিন মমাং লৈকাইগী শরুক য়াওরগনি। লমদম অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা শোয়দনা মতেং পাঙগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সুনিলকুমারনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# কংগ্রেসতা লৌশিনখিবশিং মপান্থোংদা মতিক–ময়াই লৈবা মাল্লগা মনুংদদি হোৎত্রোং হোরবা ঙাক্তনি ঃ এস রাজেন

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৬ (এসএনএস)ঃ হান্না বি জে পিদা য়াওরম্বদগী হৌজিক্না কংগ্রেসতা চংলক্লে হায়না কংগ্রেসনা য়াম্না হরাউনা ওক্লিবশিং অসি মপান্থোংদদি মগুন লৈবা মানলগা মনুংদদি হোৎত্রোং হোরবা ঙাক্তনি হায়না নৌনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোই ওইনা হাপ্লকখ্রবা এম এল এ এস রাজেন সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, কংগ্রেস পার্টিনা অদুগুম্বা মীওই খর লৌশিল্লগা হরাউরিবা অসি ৱাখলনা শাগৎলগা হারাউবনি। মখোয়না কংগ্রেসতা য়াওখিবা মতমদা থোইনা বি জে পিদা ময়েং তাবা লৈতে হায়খি।

বি জে পিদগী কংগ্রেসতা চংখিবশিং অদু হান্না মখোয়না মপান ফরিঙৈদা লাও খোঙলম্বা ময়াম অদুদা মগুন লৈবা মানবনি। মনুং ইহো হোরবা মীওই ঙাক্তনি হায়খি।

ষ্টেট ৫গী মীখলদা কংগ্রেসনা ষ্টেট অহুমদা সাসন তৌরে হায়বগী কংগ্রেসনা হরাউরবসু মসিদি ষ্টেটশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী লৈঙাক্কী এচিভমেন্টশিং অদু য়েংলগা পীবনি হায়খি।

মখোয়না ফনা হরাউরবসু লোক সভাগী মীখল অসিদদি মখোয়না হরাউরিবা অসিগী ওন্ন তৈন্নবদা লাক্কনি হায়খি। হৌজিকসু লৈবাক অসিনা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মীয়াম্না থাজবা থল্লি। প্রজাশিংগী কান্নরবা য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং অসি মীয়াম্না পাম্নরি হায়খি।

হন্দক্কী মীখল অসিগী মতুংদা ইহান হানবা ওইনা কংগ্রেস য়াওদবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী লৈঙাক সাসন অমা লৈহল্লে। মসিগীদমক নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা বি জে পিনা হরাউবা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লগনি হায়খি।

মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী অওনবা কয়া পুরকপা ঙমখ্রে। চহি ১৫গী কংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা লৈঙাক চুপ্পি পায়বা য়ানবগীদমক কাঙলুপ মশেল মরক্তা শিংচেপ থারম্বা কয়া অদু ঙসিদি অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী চীং তমগী অপুনবা শক্তম অমা শাগৎপা ঙম্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুরগী লো অমসুং ওর্দরগী ফিভম ফগৎলে। কংগ্রেসকী লৈঙাক সাসনগী মতমদা লৈরমদবা কয়া বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লবা মতম অসিদা পায়খৎলে।

মতম অমদা মপুরোইবা কায়নি–খবা, মচা কায়নখিবা মপা মমা লৈত্রবা মচা কয়া থোকহনলম্বা লৈঙাক অদু ঙসিদি ওইদ্রে।

মতম অমদা মীয়াম্না কিনা লৌনরম্বা পুলিসশিং মীয়াম কন্নবগী থোরকপা ওইনা উন্নবা হৌরে। চীংগী লমদা ওফিসিয়েল কয়া চৎপদা কিন্নরম্বা অদু ঙসিদি কিন্নদ্রে।

কংগ্রেস লৈঙাক লৈবা মতমদা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলগা লোইশিনবা ঙম্লমদবা কয়া অদু ঙসিদি অনৌবা লৈঙাক অসিনা লোইশিন্নবা থবক চংশিন্দুনা লোইশিনলে। লোয়ননা শাংখ্রবা মতমদা প্রোজেক্টশিং লোইশিনবা ঙমদনা লৈরবসু অনৌবা লৈঙাক অসিনদি লুপা ক্রোর ১২ রোম চংবা কৈথেল ৬ থা ৪–৫গী মনুংদা শাবা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে হায়খি।

মহাকপু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোই ওইনা হাপ্পীরকপদা পার্টিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# ‘মীয়ামগী শেল কোর্পোরেট দিফোল্টরশিংনা লুট...

*লমায় ১গী মখা*

হেয়ারকটকী মীংদা কখোকখ্রে। য়াল্লবা মীয়ামগী শেনফম কয়া কোর্পোরেট দিফোল্টরশিংনা লুট তৌহনখ্রে।

মসি ৱাফম অসি নাথৈদুনা পুবা য়ানবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না বেঙ্ক ৩ দেনা বেঙ্ক, বেঙ্ক ওফ বারোদা অমসুং বিজয়া বেঙ্ক অসি পুনশিন্নবা থবক লৌ–খৎলক্লি। বেঙ্ক অহুম অসি অমত্তা ওইনা পুনশিনবনা লৈরিবা প্রোব্লেম অসি কোকহনবা ঙম্লোই।

অসিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিলগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ননা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৬ তা লৈবাক শিনবা থুংনা নোংমগী ওইবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইক চংশিন্নবা শেম শারি।

ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিং অমসুং ফেদরেসন কয়ানা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জেনরেল ষ্ট্রাইক ইং ২০১৯গী জনুৱারি ৮ অমসুং ৯ দা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা অসিদসু ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী শৌগৎকনি হায়খি।

পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিং কন্নবা অমসুং মীয়ামগী য়াল্লবা শেনফম কন্নবা খোঙজং চংশিনবনি হায়খি।

বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট সোরাম বিজোয়না হায়, চহি মরি মরি খুদিংগী ওল ইন্দিয়াগী ওইনা বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসনগী কনফরেন্স পাঙথোকই। মসিগী মাঙওইননা ষ্টেটশিংগী ওইনা বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসনগী কনফরেন্স অসি পাঙথোকপনি।

লাক্লিবা জনুৱারি ২৮ দগী ৩১ ফাওবা বেফিগী ১০ শুবা নেসনেল কনফরেন্স কেরেলাদা পাঙথোক্কনি। কনফরেন্স তৌরিবা অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি বেঙ্ককী তঙাইফদবা রিক্রুইটমেন্টশিং তৌবিনবা, ইন্দিয়াদা অচৌবা শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেট হাউসশিংনা লোন লৌথোকখ্রগা শিংগত্তবা মদু শিংগৎহনগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌবা, লোন তোনলিবা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিজশিং অসিদা আইনগী মীৎয়েংদা লৌখৎপা য়াবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়বা য়াওরি।

মসিগা লোয়ননা হৌজিক অমসুং মমাংদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা বেঙ্ক ময়াম অসি প্রাইভেটাইজেসন তৌনবা হোৎনরকপা অসিগী মায়োক্তা বেফিনা লেপ্পি। বেঙ্কশিং অসি প্রাইভেটাইজেসন তৌখ্রবদি মদুগী শেন্দোং অদুনা মখোয়খক্তগী ওইখ্রবা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি।

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা মখোয়গী সবসিদিয়ারি বেঙ্ক ৬ পুনশিনখ্রবসু মসিগী থোইনা কান্নবা উবা ফংলি। পুনশিনলক্লিবা বেঙ্কশিং অদুদা হান্না লোন চাউনা চাউনা তোনলম্বা কয়া অদুগী এন পি এনা পৈদুনা লৈরি।

বেঙ্কশিং পুনশিনবগী ৱারোইশিন লৈতে। মরম অসিনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৬ তা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা ষ্ট্রাইক চঙশিনগনি। মরমদি বিজয়া বেঙ্ক, দেনা বেঙ্ক অমসুং বেঙ্ক ওফ বারোদা অসি পুনশিনবগী ৱাফম লাক্লিবা অসিগী মায়োক্তনি। বেঙ্ক পুনশিনবনা হেন্না চাউখৎকদবা নত্তে। ইন্দিয়া অসিদদি অথাপ্পা মফমশিংদা বেঙ্ক হাংদোক্তনা লৈবা অসিনি। মরম অসিনা মফম কয়াদা বেঙ্কশিং হাংদোকপীয়ু হায়বসিনা মপুং ওইবা দিমান্দনি হায়খি।

মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা বেঙ্ক হাংদোকপীদুনা মীয়ামদা পীবা য়াবা খুদোংচাবশিং পীবিনবা হায়জবনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদবা ফেদরেসনগী মীওইশিংগী মফমদা হৈ লৈ কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

# লাঙ্গোল চীংদা লম খোপচিনবা কয়াম লৈরিবগে হায়বা...

*লমায় ১গী মখা*

মসিদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা চীং অসিদা লম খোপচিনলিবশিং অসি তকথোকপা মতমদা কাঙলুপ কাঙলুপ করিগুম্বা খরগী মীংদা খুদোংচাবা লৌবগী মওংদা চথরকপা থেংনদবা নত্তে। মসিনা থবক অসি পায়খৎপদা অপনবা থোকহল্লি।

লাঙ্গোল চীং অসিনা ইম্ফালগী নিংশা শোর হোনফম ওইরিবনি। মরম অসিনা চীং অসি কোকথোক্লগা লম খোপচিনবা অসি তোকপীরো। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ফনা কন্না হোৎনরবসু কোর্টতগী হেক্তা অথিংবা পীরকপা কয়া লৈ।

মসি তকথোক্লবা মতমদা পাট্টা হেক্তা পুথোরকই। মদুনা কদায় ফাওবা অচুম্বা অশেংবা পাট্টানো হায়বদুদি খঙবসু নত্তে হায়খি। মসি ভেরিফাই তৌবদা মতম হেক্তা চংহল্লি।

মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা সর্ভে তৌথোক্লবা মতুংদা চপ চাবা য়ুম কয়া লৈরিবগে হায়বা খঙদোক্লগা মখা তানা য়ুম কৈ শাজিনলকপা থিংনবা থবক লৌ–খৎলগনি। মখা তানা শাজিনলকপা তারবদি মদু শিদোক্লবা থবক লৌ–খৎলগনি হায়খি।

# কুকিশিংগী লম আই এমদা...

*লমায় ১গী মখা*

জেলৈরোং অসিগী চঙজফম পী–খবনি। অদু জেলৈরোংশিংগী মচা–মশুশিংনা ৱারী অদু নীংশিংদনা এগ্লো কুকি লান ১৯১৭–১৯দা বৃটিশকী মায়কৈদা লেপখি। মতুং তারকপদা কুকিশিংগী মায়োক্তা এন এস সি এন (আই এম)গী খূৎলাই ওইরকখিবনি। অদুবু মমৈ থংদা ঈশিংগা থাওগা তিন্নবা য়াদবগুম মখোয় এন এস সি এন (আই এম)গী মখাদা পূক্নিং লুম্লক্তবদগী মখোয়গী নীংতম্বা তান্নবা জালৈরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেমখ্রে হায়বা ৱারী চেরোল অদুদা পল্লি।

জালৈরোংশিং অসি কুকি চিন গ্রুপকী কাংবু ওইবনা নোনে দিষ্ট্রিক্টসু এন এস সি এন (আই এম)গী ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মনুং চনবা য়ারোই। মণিপুরগী শরুক অমা ওইনা লৈগদবনি হায়বা ৱাফমসু কুকি নেসনেল ওর্গেনাইজেসনগী চেরোল অদুনা দাবী তৌরি। হান্না ফোইবু হায়না খঙনরম্বা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ততা খুন্দারিবা পাওমৈ কাংবু অসিসু জালৈরোংগুম কুকি চীন গ্রুপকী কাঙলূপ অমনি মখোয়সু সুহতে পোই অমদি লুসৈ (মিজো) শিংনা তকথোকখিবদগী কুকিশিংগী মপা–মপুগী লম ওইবা ফোইবুংদা খুন্দাহনখিবনি। সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী য়াংখোলেনতা লৈরিবশিং অসিসু তুবোই কুকিনি। নাগানাইজেসন ইথক্লা পাওমৈ অমদি তুবোই কুকিবু নাগা ওইহনখিবনি। মখোয়গী লমশিং অসি কুকিশিংগী মপা–মপুগী লমগী শরুক অমনি হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

# জিরিবামগী লম্বী শেম্বীদবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা মেমেরেন্দম পিশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ঃ জিরিবাম বাবুপারদগী দি সি ওফিস তান্না চৎলিবা দিবোং লম্বী শেম্বীমদবগা মরী লৈননা পিস এন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন জিরিবাম (পাদাজ)না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পিশিনখ্রে হায়রি।

পাদাজগী সেক্রেটরি ৱাই অশোক কুমারনা শিংহনা খুৎয়েক পিদুনা ঙসি পিশিনখিবা মেমেরেন্দম পল্লিবা ৱাফমদি, জিরিবাম বাবুপারাদগী দি সি ওফিস তান্না চৎলিবা দিবোং লম্বী, জিরি টিপাইমুক রোদ অসি চৎপা য়াদবা য়াম্না খুদোংথিবা ফিভমদা লৈরে। লম্বী ফত্তবনা মরম ওইদুনা দি সি ওফিস তান্না চৎপা ঙম্নদ্রে। মীয়ামগী য়েংবীরগা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেম্বীদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়রি।

মেমোরেন্দম অদুদা মখাতানা পল্লিবা ৱাফমদি, কুমজা ১৯৯১গী দিসেম্বর ২০দা মতমদুগী চিফ মিনিষ্টর ৱাহেংবম নিপামচানা মণিপুর গেট শানবা উরেপ–উয়ুং তম্বীরম্মী। অদুবু লাইবক থিবদি হৌজিক ফাওবা শাবিদনা লৈরি। অসিগুম্বা জিরি মীয়ামগী মাই ওইগদৌরিবা অমদি মণিপুর ষ্টেটপু মশক তাক্কদৌরিবা গেট অসিবু অথুবা মতমদা শাবিয়ু হায়রি।

অমরোমদা, জিরিবামদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রন্স ২ হাংদোক্কপিনবা পাদাজনা জিরিবাম কেন্দ্রগী এমএলএগী খুথাংদা হায়জ চেরোল অমা পিশিনখ্রে। চেরোল অদুদা পল্লিবদি হৌজিক জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৌজিক ফাওবদা য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, য়ুবিআইগী ব্রান্স অমখক্তমক লৈরি। এটিএমগী খুদোংচাবসু ফংদবনা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট অসাম লোমদা চৎনরি। মসিনা জিরিবামগী, মপালগী লমকোয়বা লাকপশিং য়াওনা চখোক চৎশিন তৌবরিবশিংনা শেল কায়থোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। মরম অদুনা এসবিআইগী ব্রান্স ২ হাংবিরবদি জিরিবামগী অমদি মসিবু ফাওরগা চৎলিবা মীয়ামদা অৱাবা কোকহনগনি হায়রি।

# কংগ্রেসকী মতম লোইখ্রে,ৱা...

*লমায় ১গী মখা*

ংগ্রেস লৈঙাক্না নমশিন্দুনা প্রজাশিংদা ফংহনলমদে। বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী স্কিম অসিগী মখাদা য়ুম ৯৪৭০ শাখ্রে। মখা তানা য়ুম লাক্ষ ১.২০ শানবগী প্রপোজেল পীশিনলগনি।

হৌজিক য়ুম লিশিং ৩১ মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা শেলসু পীরক্লগনি হায়খি। সেক দাটাদা য়াওদবা ইমুংশিংদা মশামশাগী য়ুম কৈ শাবা শেমজিনবা তৌনবগীদমক্তা কেন্দ্র কেন্দ্রগী এম এল এশিংগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাক্ষ ১.৫ ফাওবা পীনবা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। এম এল এশিংগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ অসি অতৈ ষ্টেটশিংনা মান্নবা ফংহন্নবা হেনগৎহন্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অকাম্পাত্তা লৈরিবা স্পোর্ট গ্রাউন্দ অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা স্পোর্ট কমপ্লেক্স অমা শেম্নবগীদমক্তা সেন্টরদগী লুপা ক্রোর ১০০ লৌনবা হোৎনরি।

কনাগুম্বা মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়াম্গী থবক তৌনবা মখোয়বু থাগৎলকপনি হায়না কাওথোক্তুনা পার্টিগী ৱাখল্লোন খঙদনা থবক তৌরবদি প্রজাশিংনা ৱারক্কনি হায়বগী কাওথোকফম থোক্তে।

কংগ্রেসগী মতমদা মতম অদুগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি অমসুং পার্টিগী মিনিষ্টরশিংনা অরানবা তৌরুবা অদুনা মরম ওইরগা প্রজাশিংনা ৱারক্তুনা লৈঙাক সাসন তৌহন্দ্রিবা অসিনি হায়খি।

হন্দক্কী ষ্টেট ৫ গী মীখলগী ফল অসিদা বি জে পিনা করিসু পুক্নিং হন্থনিঙাই ওইদে হায়খি। মরম অদুনা লোক সভাগী মীখলদা বি জে পিনা মেজোরিতি শোয়দনা ফংবা ঙমদ্রগসু বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিগা পুনলগা এন দি এ থ্রি অদুমক লাক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোই আর কে রঞ্জন, বি জে পি মহিলা মোর্চাগী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট এ সর্দা দেবী, বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে ইনাওচাসু শরুক য়াখি।

# হরাউ কুম্মৈগীদি মী ৱাৎতে,লাইরিক্কী...

*লমায় ১গী মখা*

লমদমসিগী মীয়াম লাইরিক হৈহন্নবা অমসুং লাইরিক পারিবশিং,ইরিবশিং অমসুং পুথোক্লিবশিংগা পুন্না উন্নবগী খুদোংচাবা পীবা হায়বা ৱাখল অসিদা য়ুম্ফম ওইননি।

হৌজিক্কী মতমদা মোবাইল ফোন শীজিন্নদবা মী ইয়াও–য়াওশিল্লক্ত্রে। মালেমগী থৌদোক–ৱাথোকশিং অমসুং লাইরিকশিং ইন্টরনেটকী খূথাংদা মীয়াম্না ফঙহল্লি। অদুবু নমথোক্লবা লাইরিক য়াওদনা ঐখোয় চাউখৎপা য়ারোই। সঙাই ফেষ্টিভেলগীদমক্তদি লুপা ক্রোর ১০ হেন্না থাদদুনা মীয়াম্বু নুংঙাইহল্লি। মদুদগী ফঙলকপা কান্নবদুগা লাইরিক্কী মেলাদা শরুক য়ারগা লাইরিক পাবগী হৈনবী থমদুনা ৱাখল–লৌশিং তালহৌবগা কনানা হেন্না ফবগে হায়বদু মীয়ামদা লেপহন্নিংই।

মহাক্না মখা তানা হায়,য়াম্না নুংঙাইবা অমনা লাইরিক্কী মেলা অসিদা লাকপা মীপুম খুদিংমক লাইরিক অমমমদি লৈরগা চৎখি। মসিমক শিল্পি–লাংলিবা কাঙবুগী মায় পাকপনি হায়না লৌই। ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা সেলবস্তা য়াওরিবা লাইরিক ঙাক্তা পাবনা মপুং ফাবা মী ওইবা ঙমদে। লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙগে হায়বা তারগদি অতৈ লাইরিক কয়া পাগদবনি। নোভেলগুম্বদা লাইশুনি হায়নরিবা কান্নরবা মচাক ময়াম অমা য়াওই।

লাইরিক লৈবা লাকপশিংগী খুদোংচাননবগীদমক ষ্টোল খুদিংমক্তা লাইরিক খুদিংমক্কী ওইনা চাদ ১৫দগী ২০ ফাওবা দিস্কাউন্ট পীরগা ফঙহল্লি। অদুম ওইনমক স্কুলগী সেলবসকা মরী লৈননা বোসেমনা ফোঙবা লাইরিক্কুম্বদদি চাদ ১০দগী হেন্না দিস্কাউন্ট পীবা ঙমদে। অসিগুম্বা মেলা অসি লুপা লাক্ষ ৩৫ রোম্না কোন্ননবা হোৎনসি হায়না লেপ্পরি।

# জনুৱারি ৮গী বন্দ শৌগৎকনি...

*লমায় ১গী মখা*

লৈরি হায়খি।

মহাক্না হায়, ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা শিন্মীশিংগী নোংমগী খুৎশুমল অসি লুপা ৬০০ ওইহনবা হায়বসি সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নগী খ্বায়দগী মরুওইবা দিমান্দ অমা ওইদুনা লাক্লি।

ঙসি তোঙান তোঙানবা শিনশঙ কয়াদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী খুৎশুমল অসি য়াম্না নেম্লি। লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টদা থবক তৌরিবা ভিডিএফ ফাওবা চানবা হাপ্লগা লুপা ৭,০০০ রোমতমক ফংলিবা অসি অঙক্কপা অমনি। হোমগার্দ পার্স্নেলশিংদা কনষ্টেবলগা মান্নবা খুৎশুমল পীগদবনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা থওইদনা লৈথোক্লি।

মসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা য়াম্না লুরিবদি সেন্তরনা পিথরক্লিবা শেনফমগী মথক্তা ষ্টেটকী সিয়ার হায়বা অমা ষ্টেটনা লৈঙাক্না পুথোক্কদবদু হৌজিক পাল্লিবা এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা পুথোক্তনা লৈরি। ভারতগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি ষ্টেট সিয়ার হাপ্লগা অঙ্গনৱাদি অমদি অসা ৱার্করশিংগী খুৎশুমল লুপা ১০,০০০গী মথক্তা পিরি। অদুবু মদুগী খুদোংচাবশিং অদু ঐখোয় মণিপুরদদি পিদনা লৈরি।

হৌজিক শুরগা হিংলিবা মীওইশিং অসি অশুক্কী মতিক ৱারে। মরম অদুনা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কঙগ্রেসনা জনুৱারি ৮ অমদি ৯দা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেস্নেল জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মপুং ফাহন্নবা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি অমদি অসা ৱার্করশিং মীহুৎশিং য়াওবা কনভেনসন অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌরে। মখাতানা মণিপুরগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংগীসু কনভেনসন পাঙথোকখিনি হায়না শোতিনকুমারনা মখাতানা ফোংদোকখি।

# বোমগা কোন্ননা...

*লমায় ১গী মখা*

কৌতা মনুংদা হাপ্লগা পুরকপনি। মঙোন্দগী হেন্দগ্রেনেদ অদুগী সেফটি ফ্যুস অমা, মহাক্না তোংলকপা মারুতি ভান এমএল০৪সি–১৬১৭, মোবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি।

# ফ্লাইট মনুংদা ইন্টর্নেট এসেস তৌবা...

*লমায় ১গী মখা*

ফোন অমদি ডাটা সার্ভিসকী খূদোংচাবা ফঙহনবা য়ারগনি। মসিগী মতাংদা ‘দি ফ্লাইট এন্দ মেরিটাই কন্নেক্টিভিটি রূলস ২০১৮’কৌবা রুল অমা শেমখ্রে। মসি ওফিসিয়েল গেজেটতা ফোঙবা নুমিৎতগী চৎনবা হৌগনি।

ইন ফ্লাইট এন্দ মেরিটাইম কন্নেক্টিভিটি (আই এফ এম সি) অসি টেলিকোম নেটৱার্ক অমদি সেটলাইট শীজিন্নদুনা ফঙহনগদৌরিবনি।

সার্ভিস অসি এরোপ্লেন অমনা মসিগী য়ামদ্রবদা ৱাংফম থোকপা চাং হায়বসি মিটর ৩,০০০ য়ৌরবা মতুংদা ফঙহনগনি। থৌরাং অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লনবা হোৎনরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।